ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ২১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৬৩শুবা মশীং

সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং

মীয়াম্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং মরম চাদে হায়বা য়াগদৌরিব্রা

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী মায়োক্তা মীয়াম্না লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা খন্ন-নৈনখ্রে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নেনসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবাল, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেদি অমদি য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভলাসু শরুক য়াখি। লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অমসুং টেন্সন ৱাংখৎলকপগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপ্না খন্নখি। পাকিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টানদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি অমসুং খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী মতাংদা বিল পাস তৌখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওই চা কয়া পুলিসনা দিল্লি, বেঙ্গলুরু অমসুং অতৈ ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফাগৎখি। সী এ এগী মায়োক্তা মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং চয়োল অনী ফাজিল্লকপগা লোয়ননা মফম খরদা মোবাইল ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিন্দুনা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনরি। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমদা ওথোরিটিশিংনা ন্যু দিল্লি, উত্তর প্রদেশ অমসুং কর্নাটকাদা মী পূনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। দিল্লি অমদি হরিয়ানাগী লোন্নবা ঙমখৈসু সিল তৌশিনখি। অদুম ওইনমক মীয়াম্না অথিংবা থুগায়রগা দিল্লিগী হিষ্টোরিক ওইরবা রেদ ফোর্ট অমদি বেঙ্গলুরুগী টাওন হোলদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। শগোলশেন নুমীৎতা পুলিসনা মীয়ামগী খোঙজং থুগায়দুনা শক্লাইরবা হিষ্টোরিয়ন রামচন্দ্র গুহা অমদি অতৈ প্রোফেসর খরা য়াওনা মীওই ২০০ রোম ফাজিনখি। দিল্লিগী রেদ ফোর্টতা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদনা একাদেমিক ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা য়োগেন্দ্র য়াদব য়াওনা মীওই ১০০ রোম পুলিসনা ফাজিনখি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবসি কুমজা ২০১৫গী মমাঙদা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানদগী চঙলকখিবা মুস্লিম নৎতবা অতৈ লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়বা এক্ট চৎনহল্লকপগী মায়োক্তনি।

এক্ট অসিগী মায়োক্তা লৈবশিংনা হায়রিবদি মুস্লিমশিং অতম্মনা খন্দোক্লন্নিবসি মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওংনি অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং অসি য়াবা ঙম্লোই হায়বসিনি। সাউথ মুম্বাইগী ওগষ্ট ক্রান্টি মাইদানদসু মহৈরোয়, পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট, সিনিয়র সিটিজন অমসুং সোসল এক্টিভিষ্টশিং য়াওনা মীওই চা কয়ানা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অমসুং সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখি। ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি- বোম্বে; টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল সাইন্সেস; য়ুনিভর্সিটি ওফ মুম্বাই; পুনে য়ুনিভর্সিটি; ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া, পুনে; মহাত্মা গান্ধী অন্টরাষ্ট্রিয়া হিন্দি বিস্ববিদ্যালয়া, ৱার্ধা; থানে, পালঘর, নাশিক, ঔরঙ্গবাদ, বীদ অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু ঈং-তপ্পা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। দিসেম্বর ১৫দা দিল্লিগী জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া অমসুং উত্তর প্রদেশকী অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিদা পুলিসনা মহৈরোয়শিংদা কা হেনবা থৌওং চথখিবগী মায়োক্তা মুম্বাই অমসুং পুনেগী য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয়শিংনা কেন্দল পায়দুনা খোঙচৎ চৎখি। নাকল অমরোমদা দিল্লি পুলিসনা সিটিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙলকখিবা মীওই ১২ ফাজিনখি। লৈবাকপোকপা অমদি য়ুমশকৈশা নুমীৎতসু খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মীওই ৯ ফাজিনবা লৈখ্রবনি। থোইদোক হেন্দোক্লা পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা থৌওং অমা হায়বা তারবদি শগোলশেন নুমীৎতা সাউথ ইষ্ট দিল্লিগী জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া য়ুনিভর্সিটিগী গেট মনাক্তা সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মুস্লিম লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা নমাজ শোল্লগা অকোয়বদা তোঙান-তোঙানবা লাইনীং চৎপা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা ঙাক-শেনখিবগী থৌওং অদুনি হায়বা য়াই। ত্বিটরদা থাগৎলকপা ভিদিও অমদা থৌওং অদু য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলকখি। উত্তর প্রদেশকী সম্বল দিষ্ট্রিক্টতা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না পুলিস ষ্টেসনদা নুঙ লংশিল্লকখিবগা লোয়ননা পব্লিক বস অমা মৈ থাদুনা মাঙ তাকহনখি। দিসেম্বর ১৯দগী হৌনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থল্লকখ্রবা চৌধরি সরাই এরিয়াদা মীয়াম্না ষ্টেট রোদৱেজগী বস অমা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি। নাকল অমরোমদা গৌহাটি হায় কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না অসামদা মোবাইল ইন্টর্নেট সর্ভিস থিংলম্বদু লৌথোকখ্রে। জর্নেলিষ্ট অজিত কুমার ভুয়ান, এদভোকেট বোলোশ্রি গোগোই, এদভোকেট রন্দিপ শর্ম্মা অমসুং এদভোকেট দেবকান্ট দোলেনা ফাইল তৌরকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসনশিং হীয়রিং চথরবা মতুংদা জষ্টিস মনোজিট ভুয়ান অমসুং জষ্টিস সোমিত্রা সাইকিয়াগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হায়খি, শগোলশেন নুমীৎকী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মমাঙদা মোবাইল ইন্টর্নেট সর্ভিস অমসুং ব্রোদবেন্দ ইন্টর্নেট সর্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোক্কদবনি। মতাং অসিদা হৌজিক খন্নবা য়ারিবসি সী এ এদা অতম্মনা মুস্লিমশিং খন্দোক্লম্মী হায়রগসু করি মরমগী অতৈ অতোপ্পা কাঙলূপ্পা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবনো হায়বদুনি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি কাঙলূপ নাইবা লোনি হায়নরিবা সী এ এনা থোকহল্লক্লিব্রা নৎত্রগা মীয়াম্না হেঞ্জিনবা মওংদা মরম চাদনা খোঙজং চঙশিল্লকপনি হায়না লৌগদৌরিব্রা।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

থাও পীগনি, তোলোপ পীগনি, দি এ পীগনি হায়ফম থোক্তে

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ইন্দিয়াগী ওইনা থাও পুথোকপা ঙমদ্রে হায়রদি, ষ্টেটসিদা থাও পীবদা খুদোংচাদবা ওইবা য়াই। ষ্টেটসিদা ঈরাং থোল্লকপা, অৱাং নোংপোক্তা ঈরাং থোল্লকপা, বন্দ-ব্লোকেদ, লাইফ লাইন অনী অসিদা চৎপা য়ারক্তবা মতমদা য়ু পিগী দিষ্ট্রিক্ট অমনা হেন্না চাউবা পোপুলেসনসু হেন্না য়াম্বা, পিকখ্রবা ষ্টেট অসিদা পোৎ চৈগী মমল হাইগৎলক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা পীরি। হৌখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ থা ৪ রোম চথখিবদা থাওগী অহিং য়ারেক্তুনা ক্যু শাংনা-শাংনা লেপহনখি হায়দুনা হৌজিক্কী বি জে পি লৈঙাকসু ক্যু লেপহনবা করিসু কায়দে হায়বগী ৱাখল্লোন খলহন্নীংদে মীয়ামগী খন্দুনা। থাওগী প্রোব্লেম অসি মতম মতমগী লৈঙাক্লা থোকহনবনি হায়জনীংই। লৈঙাক্লা থাও পীগনি, তোলোপ পীগনি, দি এ পীগনি হায়ফম থোক্তে। ইচা লাইরিক তমহনগে, ইচা চাক পীজগে হায়ফম থোক্তে। লৈঙাক্লা থাও ষ্টোক্তা নুমিৎ মঙানিগী লৈরি, চকা অনী পানবদা লিট্রর অহুম, চাকা অহুম পানবদা মঙা, চাকা মরি পানবদা তরা লাউথোকফম থোক্তে। নুমিৎ মঙানিগী ষ্টোক্তা লৈরি হায়রবনিনা ক্যুদা লেপ্পা তাবনি। থাওনা য়ু, ফোরেন লিকরদৌনা থকপা য়াবা নত্তে হায়বসি লৈঙাক্লা খঙদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। অসামদা থা অনী কার্ফিয়ু থমখিবা তারবদি মণিপুর মীয়াম কংদুনা শিবা তাবনি। হন্দক সী এ এগী ঈরাং লাক্কদৌরি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙনা খঙনা থাও ষ্টোক্তা মরাং কায়না থমহৌদবা হায়বসি লৈঙাক্কী অশোয়বনি হায়জনীংই। মণিপুরনা ইন্দিয়াকী ঈজৎ পুরক্লিবা, মণিপুরনা অতৈ ষ্টেটশিংগী চাংদম্নবদা মনা কয়া পুরক্লিবা, অফবা চীফ মিনিষ্টর খনবদা মণিপুর য়াওরিবা অসিগুম্বা ষ্টেট অসিনা থাওগী ষ্টোক নুমিৎ মঙানি লৈরি লাউথোক্লিবা অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী মমাঙদা অমদি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মমাঙদা লৈঙাক অসিগী লাইবক থীবনি হায়জনীংই।

বেঙ্গোলগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জোতি বাসুনা কোলকটাগী সোল্ট লেকতা ফঙ্কসন অমা চৎপদা সিক্যুরিটি অমত্তা য়াওদনা দ্রাইভরগা লোয়ননা লাকখি। মণিপুরগী লৈখিদ্রবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা য়ংমাসো সৈজানা মাগী বঙ্গলোদগী ময়ূম খম্মন্দা লাকপদা সিক্যুরিটি অমত্তা য়াওদনা মাগী দ্রাইভরগা লোয়ননা জিপতা লাকখি। ষ্টেটসিগী মিনিষ্টর, এম এল এ ৬০গী সিক্যুরিটি অসি খরা হন্থরগা ষ্টেটসিগী থাওগী ষ্টোক থা অনী/অহুমলোমগী কোন্ননবা থম্বা য়াগদ্রা খনবা য়াই। মিনিষ্টর, এম এলএশিংগীদি থাওগী প্রোব্লেম লৈরম্লোই। থাওগী প্রোব্লেম্না হীরম খুদিংমক্তা শোকহল্লি হায়বসি পোলিসি মেকিং বোদি লৈঙাকনা খঙদবা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। হৌজিক হৌজিক ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ফোং-ফোং শারি, মসিদসু থাওগী প্রোব্লেম লাক্তনবা মীয়ামগী থৌগল তৌবদা সিক্যুরিটি অমত্তা য়াওদনা ফ্রী ওইনা চৎচবা, শিবা কিদনা মিনিষ্টর, এম এল এ ৬০না সিক্যুরিটি অমত্তা য়াওদনা থৌগল তৌবীরবদি (থা অমরোমদং) থাওগী অৱাবা লৈরোই খঞ্জে।

অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী
তোপ অৱাং লৈকায়

রেদিওদা ইপোম, চাউবা, তোম্বী, বাবু

ৱাইরু-ৱাইরুবদা

রেদিওদা, অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়না ঙাওজরকপা কয়া লৈ। মদুগী মনুংদা মনি-মালা, ইপোম, নোংমাইজিংগী অযূক হায়গদ্রা নুংথিল হায়গদ্রা পুং বারোগী দ্রামা অমদি মতমগী ঈশৈ। ঙাওরক্তবনা ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা-থিবা, নট ঈশৈ, পেনা, খোংজোম পর্ব্ব, চীংলোনগী শৈরোল, লৌউ-শিংউগী ৱাফম। মতমগী মতুংইন্না তাবা অদুম ঙল্লকপসু য়াওই, অদুগা মতমগী মতুংইন্না তানীংলক্তবা, হৈনীংবা পোল্লক্তবা য়াওই।

ইচা ইশুগী মমাঙদা মতমগী ফিল্ম ঈশৈ তাবা হৈনরক্ত্রে, টেলিভিজন্দা লাল্লবসু য়েংবা হঙ্গোইরে, ইশাগী ফোন্দা লোন্না হেদফোন হাপ্লগা তাবা অদুসু মীৎ ইনুং নুংঙাইত্রে, মদুসু ইচা ইশুনা উরগা ফজনফমদি ইরৈ লৈবা, ৱায়োং চাবা থবক্তি ওইদ্রে। রেদিওনা থৱায় ওইখি, ওইরি, ওইখিনি। রেদিওমুক নুংঙাইবা লৈরমদ্রে - শক উরবদি ঙাওলিবা ৱা, তারিবা ঈশৈদা পূক্নিং থিংজিনবা ঙমদে, মীৎকা নাকোংগা, নাকোংনা শান্তি পীবা হেল্লি ঐগী ওইনদি।

রেদিওদা ইপোম লাকই নুমিদাং পুং ৭.৩০গী পাউ লোইরগা, মতমদুদা টেপ রেকোর্দর, টেপ প্লেয়র থোরক্ত্রি মীয়াম ঐখোয়গী খূৎতা। কোইরোক কোয়বা অপাকপা টেপ স্পুলদি রেদিওদা লৈ। রেদিওদা মীয়ামগী মীৎয়েং থম্ফমনি, লীলাদা, ঈশৈ, ৱারী-ৱাতায় পূম্নমক রেদিও নত্তনা কনানা রেকোর্দিং লৌবা ঙমদবা মতমনি।

এ আই আর ইম্ফালনা হেক হেক ইপোম শন্দোকপা মতমদা মাগী তোঙানবা সিগনেচর ট্যুন অমা খোংই। মদুদা তাবদগী হৌরে অদুম নোকপা। ইপোম হায়রবদি চাউবা, তোম্বী, বাবু, মরক-মরক্তা কৈরাওগী নবদ্বিপ অদুগা ইতুখোম্বীগী খোঞ্জেল তারকই ইপোমদা ... মতম অমগী শুমাং লীলা নোকপনা থৱায় অদুম ওই। পান্থোইবী শায়োন, থ্রী সন্স ত্বেন্টিফোর অৱার, ইমোইনু, নোকহন্নবা ঙাকনি। ইপোমদা কৈরাও নবদ্বিপনা শকই - অমেরিকা মচা অহুম্না থাদা কাদুনা য়েংলুরে, থাদা ফিরাল য়ুংলুরে... হৌজিকসু কাউবা লৈতে, মপূম ওইনদি নীংশিংজদ্রে।

ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা রেদিওগী ইপোমদা লৈ শৈথাবা, য়ূম্নাক্কী ফাগি, হী হোনবগী, ধাতু রামায়নগী ৱারী কয়া কয়া তাবা ফংখি। চাউবা য়াওদ্রবদা, তোম্বী য়াওদ্রবদা, বাবু য়াওদ্রবদা ইপোম অদুম ওইদ্রে। তোম্বীগী চীনফেল, বাবুগী ৱাচোই, চাউবগী কোচি কনানা কাউবা ঙমগনি। হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী ইপোম হিংলি হৌজিক চন্নবা ওইরি, চন্নখিগনি।

হৌজিক্তি রেদিওগী ইপোম তাবা ফংখিদ্রে। তাবদি তানীংলি। মতমগী নহা মরক্তা ইপোম লীলা শান্নবা ঙম্বা লৈত্রবরা? চাউবা, তোম্বী, বাবুনা অদুম লোই-খ্রদরা? মরমদি লৈখি, ৱাইতোনগী তোমচৌ, খুরাইগী মংলেম অমদি জয়, কুঞ্জরাজসু ইপোম য়াওখি মাল্লে খল্লি। অদুবু চাউবা, তোম্বী, বাবুদা অদুম হঞ্জিনখি ইপোম। ইপোমগী অৱাৎপা নোকফদেনা অমুক শিনখি, জোসেফ, রঙ্গিলাল, মঙ্গি, রাজু, কুবের, রাজেন, সুরমঙ্গল অসিনচিংবা পূম্নমক অসিবু মথ্বায় হাপ্পিরিবা, কোয়শেন শেন্নদুনা নোকপগী পাথাং পুথাং শম্নবিরিবা রুহিনিকুমার থৌদাম ... নোকপা হায়বসি হৌজিক্তি ইয়া য়াদ্রবা পোৎতু মঙায়রে।

ফাগি হায়বা অসি হৌজিক তৌবদা খরা লুশিল্লক্লে। মতম অমগী, মতম য়াম্না ফরিঙৈগী অদুদি হায়নীং হায়নীংবা, ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ইয়াদা য়ারম্মী, কনামত্তা লান্না খন্নরমদে, ফনা ঙাক্তা খন্নরম্মী। মতম অদুদা চাউবা, তোম্বী, বাবুনা য়াম্না নীংতম্না ফাগি তৌরম্মী, হৌজিক্তি ফাগি অমা তৌবদা লাইনীং লাইশোন্দা শোকপরা, ফুরুপ অদুদা শোকপরা, দিফেমেসন লা, কম্যুনেল ওইবা পোৎলা হায়দুনা ফাগি তৌগদবা কিনরে। নুপীদা শোকপরা, নুপাদা শোকপরা, অঙাংদা শোকপরা, হনুবদা শোকপরা, হনুবীদা শোকপরা, মৌদা শোকপরা, ওজাদা শোকপরা, ডোক্তরদা শোকপরা? অশোকপা ময়াম অমা থিরিঙৈ ফাগি অসি তৌবা ইয়া য়াদ্রবা পোৎ অমা ওইশিল্লক্লে।

নহান দিসেম্বর ১৫দা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা ভেল্লি একাদেমিদা অহানবা ময়াং ইম্ফাল তোম্বী নীংশিং থৌরম অমা অইবা অইবীশিংনা শৈরেং পাদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদু চৎচরুবা মতমদা ফাওরকখিবা পূক্নিং ইহুলনি। চুম্মী ফাগিরোই অমবু অসুম্না নীংশিংবীবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি। ●

মীশিং থিবা হৈত্রিবগী মরম

নবকুমার ওইনা

মী মশীং থিদনা লৈবাক অমা শেম্বসু য়াদে, হিংবসু ঙমদে। দেমোক্রেসি চৎলবা হায়বসি মীশিংদা য়ূম্ফম ওইনা লৈবাক শেমগৎপা হায়বনি। মী মশীং য়াওদবা থবক অমত্তা পায়খৎপা য়াদে, প্লান্নিং অমা তৌবা হায়বসিদা মী মশীং থিনরি। মী মশীং থিবদা মীনম্বা হায়বসি মশীং থিবা হৈত্রি হায়বনি।

লমদমসিদা মী মশীং থিবদা চুম্বা ঙমদ্রিবগী মরম ময়াম অমা লৈবসু য়াই। অয়াম্বনা লানগে য়াওনা লানবসু য়াওবা য়ারি। ভোট কানীংবা মী য়াম্বদগী মী মশীং থিবা লানবা, চেঙ-চিনি য়েনবদা চাকথুং য়াম্নবা মী মশীং য়ামহনবা, ফুরুপ অমা শাগৎপদা মী মশীং য়ামহন্নীংবা ময়ামসিনা মরম ওইরগা চুম্না মশীং থিবগী অমা-অনী হায়না থিবদু লানবা হৌরকপনি। লাল্লবদি মশীং থিবা হৈতবা কৌরোইদ্রা? অরানবা অমা তৌবগী পুকচেল শেংদবনি হায়বদু উৎপা ঙম্বা হায়বসি ইকায়ফম থোকপদা ইকায়নদ্রি হায়বনি। মীওইবগী য়াওফম থোকপা শাজৎ শুদ্রিবনি হায়নসু লৌনবা য়ারিবনি। দেমোক্রেসিদদি ইকায়বা য়াদে হায়বসি চৎনবী ওইরক্লবদি মালেমগী মীয়াম মমাঙদগী লেমজবা অদুদি মাঙথরক্কনি। শান্নবদা, নাটকী জগোয়দা মালেম শিনবা থুংনা মিংচৎ লৈনা হিংবা ঙম্বগী ফজবদুগা করপসনগী ৱাথোক্কা খল অমা য়েংবদা করম্বনা লুম্না লৌনরিবগে? মী মশীং থিবদা ফাওবা করপ তৌনরি, ৱাথোক ওইরকপদগী অধার মশীং অমমম পীবা চৎনরক্লি। মসিনসু থাজবা মপূং ফাহনবদি ঙমদ্রি। ফজবা মশীং খঙদরি।

কুমজা ১৯৯৯দা মীশিং থিবা য়াওরকই। খুল অমদা মীদি খরতা লৈবদা চে য়াওরিবমখৈ ইয়ু হায়রকপা য়াওখি। খৎনরুবা য়াবা নত্তে, নুপা ঙাক্তা হায়জিল্লিবা করিগীনো হংবদা ভোট থাদবা চৎপদা নুপীশিংনা লাপ্না চৎপা নুংঙাইতে হায়না খুল্লকখি। মেগজিন অমদা নুপা-নুপী মশিং থিরিবসি লাল্লি হায়না ফোঙদোকই। মী মশীং য়াম্বা দিষ্ট্রিক্ট খরদদি নুপীনা মশীং অদুমক হেন্না ফোঙদোকপা য়াওখি। ঙসিদি অধার লাকপদগী খরমখৈ ককথরম্বা য়ারে, মীকোক মশীং থিখিবা ২০০১-২০১১ অনীগী খেন্নবা পুথোল্লগা ২০২১দদি মরম চাদনা মী অসুক য়াম্না শিরিবা করিগীনো হায়বা পুথোকপা য়াগদৌরিবনি। মদুসু হোস্পিটাল মশীং হেনগৎপদা শীজিন্নগদৌরিব্রা খঙবা নৎত্রি। খেন্নরিবা মীশিং অদুদি হাপচিল্লম্বা মশীং ওইফম থোকই, শিখিবদি খরতনি।

ঙসি ইলেক্টোরেল রোল ফোঙলে, নুপা-নুপী মশীং খঙলে, নুপীনা ৪৭৮০৭ হেল্লে। করি খন্নবা তারি, করি প্লান তৌবা তারি, লৈঙাক্লা করি খল্লি, মীয়াম্না করি খল্লি। নুপানা করি খল্লি, নুপীনা করি খল্লি, পাখঙনা করি খল্লি, লৈশানা করি খল্লি। কনানা করি খঙলি। ফেমিলি প্লান্নিং তৌবা হায়বসি ইমুং মুথৎপদুরা, নুপী লিশীং ৪৭ লেম্না কংশি শিহনবদুরা? করি ৱাথোক লাক্কদৌরি, করি শেম শাগদৌরি, কনানা করি খল্লি, কনানা করি তৌরি। মৈরা রেল্লি চৎলগা য়ারদরা? থাজদে। রেষ্টুরেন্টতা দ্রাইভ চথবা পাম্বশিংনা করি তৌবা তারি, করি খন্নবা তারি। মায় পাকপা পাম্বরা, খুন্নাই মুথৎপা পাম্বরা, ৱাথোক লাকশিনবদমক পাম্বরা? ফুরুপকী ৱাংমদা য়োন্থোকখিবা তাবরা, পুকচেল চাউবা শাবা য়ারোই, পুকচেল পিকপসু য়ারোই। লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং ফম্মিন্নদুনা ৱারী শাবা চংই, লৈবাক ৱাংমা লানখিবনা হেন্না লেম্বা মাল্লকপসি তোংলিবা হিদুদি লুপথরকপগী খুদমনি হায়বা খঙনদবগী ওইগনি। মসি পূম্নমক মাঙজৌননা খন্নরম্বা য়াবদু চহী ২০ নুপা-নুপী মশীং ফজনা খঙলমদবগী ওইগদৌরিব্রা? ৱাখল খন্থবা ৱাংহৌবগীরা, ইশাগী ওইজবা খঙদবগীরা, হিংনবগী শাজৎ য়াওদবগীরা, মালেমসি নৈনবা ৱাৎপগীরা? 'বেটি বচাও পোকশো পরাও'দগী হেন্দোক্লা ৱাখল খনবা থিংগদৌরিব্রা? ৱাথোক্তি হেনগৎলক্কনি, অঙাও-অফৈনা নাবা মশীং হেনগৎলক্কনি, হোস্পিটালগী থবক, পুলিসকী থবক হেনগৎলক্কনি, পাউমীশিং কোয়চেন চেনগনি, লৈঙাকপশিং কোক শাগনি, কোর্টশিং ৱাই চিনগনি। মসি পূম্নমক মী মশীং খঙনা থবক তৌদবা, মী মশীং খঙনা ৱাখল খন্থনদবগী ওইফম থোকই হায়গনি।

লমহাংদা শিরগা তাদুনা লৈরম্বা মী মশীং থিবদি ফনবু য়াম্লে। সিফাইনা হাৎপা মশীংগা লম হেনবগী হাৎপনি হায়বা মশীংগা করম্বনা হেনবা খঙদোল্লগা মশীংদা য়ূম্ফম ওইবা ৱাখল খন্থনবা মাল্লক্লি। মদুদসু নুপা মশীংগা নুপী মশীংগা খেন্নবা হেনগৎলক্লি। নুপী মশীংনা হেনগৎলক্লিবসি য়ুঙাও অমুক্লা নত্তে হায়বসি খঙমিন্নবা তারকই। লৈবাকসি নুংশিবদি শাবা লৈকায় অমনা ইমুং অমা মৈ থাবদি ঙম্বা, ফুরুপ মরক্তা নুংশিবদি শাবা চারৌ-মৌরৌনবদি ৱাৎপা ময়ামসি মীশিং খঙনা ৱাখল খন্থনদবগী মাল্লক্লি। য়ূম্বাল্লোনগী লৌশিং ৱাৎপা, করাম্বা হেন্নরকপা ময়ামসিসু মীশিং য়াম্বগা মরী লৈনরকই। ৱাখল লৌশিং হেনগৎনবা লাইরিক তম্নদবা, আউটবুক পানদবনসু পুকচেল পিক্লবদগী ৱাথোক হেনগৎপসু ওইবা য়ারিবনি। মীওইবগী প্রাইভেট লাইফতা মিৎয়েং হেঞ্জিন্না থম্নরকপদগীসু ৱাথোক হেন্না শাগৎপা য়াওরম্বা য়ারিবনি। ৱাখল খনবসি ইশাদা য়াওরিবা সেল মশীং, লৈকায়গী য়ূম মশীং, ফুরুপকী মী মশীং, য়ূম লাপ্পগী কিলোমিটর মশীং, লাইরিক তম্বগী ক্লাস মশীং, পারকপা লাইরিক মশীং, চৎলুবা লম মশীং, লোয়নরিবা মরুপ মশীং ময়ামসিগী মখা পোন্না হৈরকই। ফম অমা পায়রগা ৱাখল চুম্লগনি হায়বদি লৈতে, মন্ত্রি ফাওবা শিন্নরি, লাইনীং ফাওবা হোংনরি।

পাউচে অসিগী দিসেম্বর ১৭, ২০১৯দা ফোঙখিবাদা দ্রাফট ইলেক্টোরেল রোলগী মী মশীং ১৮,৮১,৯৬১ য়ৌরে। নুপা মশীং ৯১৭০৪১, নুপী মশীং ৯৬৪৮৪৮ ওইরবনা নুপীনা ৪৭৮০৭ হেল্লে। ষ্টেট অসিগী ওইরিবা নুপা-নুপী মশীং খেন্নবগী মওং য়েংবদা নুংঙাইবা য়াবা ৱাফম থেংনবসু য়ারি। জিরিবাম অমসুং সেনাপতি নত্তনা অতৈদি নুপী মীশিংনা হেনবা অয়াম্বনি। ইম্ফাল ইষ্টতা নুপীনা মশীং ১০৭৫০ হেল্লি, ইম্ফাল ৱেষ্টতা নুপীনা ১৩৯১৪ হেল্লি, থৌবালদা নুপীনা ৮০০৫ হেল্লি, বিষ্ণুপুরদা নুপীনা ৩৩৭১ হেল্লি, উখ্রুলদা নুপীনা ২৭৩৫ হেল্লি, তমেংলোংদা নুপীনা ২৫৪৭ হেল্লি, চুড়াচান্দপুরদা নুপীনা ৫৫৬১ হেল্লি, কাংপোকপীদা নুপীনা ৩৩০ হেল্লি। করিগী জিরিদা নুপানা ৯৭৩ হেল্লিবনো, সেনাপতিদসু নুপা ১৩৮৩ হেল্লিবনো হনগৎনা য়েংবা য়াবা ৱানি। চান্দেলদসু নুপীনা ২৭০৩ অদুম হেল্লি। লাল্লি হায়বদি নত্তে, তৌরিবা মওং অসিদা মীশিং থিবা চুম্লব্রা হায়বদি অদুম খনগনি। অদুমক্তদা নুপীনদি হেল্লে হায়বদি খঙনরে। করিগী নুপীনা মশীং হেনগৎলক্লিবনো? হান্না হেন্দুনা লৈরগা মশীং থিবদা লাল্লম্বরা, পোকপদা নুপীনা মশীং হেন্না পোকখিবগীরা? করিগী মীশিং ফজনা থিবা হৈত্রিবনো। মী মশীং ফাওবা ফজনা থিবা হৈত্রিবা হায়বসি ৱাখল ফজনা খল্লি হায়বা য়াগদৌবা মান্দ্রি। লৈবাক অমা ওইনা পানবা ঙম্বা ঙমদবসু লায়রি, ৱা ফজনা ঙাঙনবা য়ারগদৌবা মান্দ্রি। মদুগী মথক্তা নুপী মশীং খঙদনা নুপীগীদমক ৱা ঙাঙবসু চুম্লগদৌবা মাল্লক্তে। লাইরিক তম্লবা নুপীশিংতনা নুপীগী শক্তম ঙাল্লগনি হায়বসু য়ারক্তরে। লাইরিক লাইশু তম্লবী নুপীশিংদি লৈঙাক্কী থবক পায়নখিবদগী খুন্নাইগী অমসুং লৈবাক্কী থৌদোকশিং য়াওবা ইঙম ঙমজদনা লৈবগুম উনরক্লি। মশাগী শিনফমগী ফাওবা মায়পুননা থৌদাং পুবী মশীং য়াম্না ৱাৎনা উরি। কৈথেল ফম্বীশিংগী থৌনাদু লৈঙাক্কী থবক পায়বীশিংদা য়াওদবগুম উনরি। নুপীনা মীশিং য়াল্লবসু নুপীশিংগী অপূনবা শক্তম শাগৎপা মপূং ফাদ্রি হায়গনি। চীং-তম অনীগী নুপীশিংগী অপূনবা লূপশিংনা মপূং ফাদবনা খুন্নাইগী অপূনবা শক্তমদসু মপূং ফাদবনি হায়বা য়ারি। নুপী লূপশিংগী মরক্তা য়েৎনদুনা লৈবদগীদি অপূনবা নুপী খুন্নাইনা মনীং তম্না ৱারেপ লৌজবা ঙম্নবা ৱাখল পোল্লক্লুবা অপূনবা নুপী মশীং খঙনবা তঙাইফদনা চঙলক্লি। মতম অদুদা ৱাখলগী অহোংবা কয়া লাক্কদৌরিবনি। খুন্নাইগী মায়কৈ হোংলকপা য়ারিবনি, নুপাশিংগী ৱাখল্লোন হোংহনবসু ঙমগদৌরিবনি। নুপা মশীং য়াল্লক্তবা হায়বসি নুপাশিংনসু খঙজবা তারকপদুনি। খুন্নাইগী নৎত্রগা ফুরুপকী থবক থৌরমশিংদসু নুপানা লৌগদৌবা থৌদাংসু নুপী মশীং অমসু নুপা মশীং খঙনা লৌগদৌবা থৌদাং হোংলকপা তারক্লি। মদুমক খঙদনা খৎন-চৈনবা, লাউনবা-খোংনবা কয়াদগী য়ূম মৈ থানবনা খুন্নাইগী মায়কৈ চুম্না লম্বী অমদা চৎলিবনি হায়না লৌবদি লানগনি। ৱাখলনা য়াদবা দাটা কয়াদা য়ূম্ফম ওইগদৌবদু মশীং লাল্লবদি ৱাখল পরিং চুম্বা ঙম্ফম থোক্তে। ঙসিগী ৱাফমশিংসি করি মওংদা লাকশিনবা য়াগদগে হায়বসি ৱাখলগী অমসুং থবক থৌরমশিংগী অহোংবা অমদি চঙগনি। মদুগী ৱারেপ লৌবদা নুপী মশীং তশেংনা খঙদোকপনা কান্নবা শোয়দনা লৈগনি হায়বসিদি নুপী খুন্নাইনসু নুপা খুন্নাইনসু য়ানগনি খল্লি।

ৱাখল পরিং তাদনা ৱাথোকশিং শেন্নরকপা চহী কুন হৌখ্রে। হৌজিক্তি করি তৌবা তারি, হোম ৱার্ক অমদি চঙগনি। ৱাথোক থোল্লক্লবা মতমদতা পাউমী কোয়পু পুবনদি পাউ ফাওনরে হায়বা য়াখিরোই। ইশা নুংশিবগুম খুন্নাইবুসু নুংশিবা অমা চঙলি। নুংশিরগা মৈ থানবা, কৌথোল্লগা হাৎনবনা অচুম্বনি হায়বদি লানগনি।

নুংশিবদা মশীং চঙই, মশীং য়ামজদবা লমলক্কী শাশিং নুংশিবগা মশীং য়ামখৎলল্লবা নুপী খুন্নাই নুংশিবগা মান্নগদৌবদি লৈতে। নুপীবু লন-থুম ওইনা লৌনরম্বগী ৱাখল মচিৎ-মখাক লেমহৌবনা ৱাথোক অমুক শাগৎপা অচুম্বা ওইরোই হায়গনি, মদুমক্লা খুন্নাই অমগী শক্তমদা ৱাখলগী লায়না পোকহনফম থোক্তে হায়গনি। মশীং খঙবা হায়বসি ৱাখলগী হৌরকফমনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।